# ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোকি টিম টোকিওগী ক্বালিফাই ওইবা





- লৈশাংথেম অজিৎ -

ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোকি টিম অনীমক মথং চহী ২০২০দা টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩২শুবা ওলিম্পিক গেমস অসিগী হোকি মশান্নদা অথোয় অহেন তান্নবগী খনগৎলবা টিম ১২গী মনুং চনখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী হোকি শান্নরোয়, হোকিবু পামজবশিং অমদি লৈবাক মীয়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা টিম অনীমক অসিবু ওলিম্পিক অসিদগী মায় পাক্না হল্লক্নবা আশা ৱাংনা থল্লি। মশান্না অসি অহানবা ওইনা কুমজা ১৯০৮দা লন্দন সহরদা পাঙথোকখিবা মরিশুবা ওলিম্পিক গেমসতা মশান্না অমা ওইনা য়াওহনখিবদা টিম তরুক্না শরুক য়াখি। টিমশিং অদুদি অয়রলেন্দ, গ্রেট বৃটেন, ফ্রান্স, স্কোটলেন্দ অমসুং জর্ম্মনিনি। ফাইনেলদা অয়রলেন্দবু গ্রেট বৃটেননা পাঞ্জল ৮-১দা মায়থীবা পীখি।

ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা কুমজা ১৯২৮দা অমষ্টরদমদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা হোকিদা শরুক য়াখিবদা নেদরলেন্দবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা সনাগী মেদল ফংখি। টিম অদুদা এঙ্গলো ইন্দিয়া মাপন, ইন্দিয়া মচা তরুক য়াওখি। লন্দনদা কুমজা ১৯০৮দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা হোকি অসি দিসিপ্লিন অমা ওইনা য়াওহনখিবা মতুংদা চহী খরা লেপ্লুরবগা কুমজা ১৯২০ দা অন্টর্প সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা অমুক য়াওহনখিবদা ইংলেন্দনা অমুক চেম্পিয়ন ওইখি। ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯২৮দগী হৌনা ওলিম্পিক্কী হোকি চেম্পিয়ন ওইখিবা অদু থংনা-থংননা সনাগী মেদল তরুক লৌবা ঙমখি। লৈবাক অসিবু কুমজা ১৯৬০গী রোম ওলিম্পিক্তা পাকিষ্টান্না পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা চহী ৩২ ওলিম্পিক্কী হোকি চেম্পিয়ন ওইরম্বগী মফম অমা কল্লম্বা অদু মাঙখি। অদুবু মাঙখিবা ঈজৎ হঞ্জিন্নবা হন্না হন্না হোৎনখিবদা টোমিও ওলিম্পিক্তা কুমজা ১৯৬৪দা য়ূমলোন্নবা পাকিষ্টানগা ফাইনেল শান্নবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈরম্বদগী মহিন্দরলালনা পেনালটি অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়ানা অমুক হন্না হোকিদা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইখি।

মেক্সিকো সহরদা কুমজা ১৯৬৮ অমসুং কুমজা ১৯৭২দা ম্যুনিক সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাক অসি হোকিদা অহুমশুবা তাখি অমদি মথংগী কুমজা ১৯৭৬তা মোনত্রে ওলিম্পিক্তা ইন্দিয়া তরেৎশুবা তাখি। কুমজা ১৯৮০দা মোস্কোদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা লৈবাক অসিনা মশান্না অসিদা সনাগী মেদল ফংখি। মরমদি চহী অদুদা মোস্কোদা পাঙথোকখবা ওলিম্পিক গেমসতা অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট জিমি কার্টরনা মহাক্কী মীচং অমত্তদা লৈবা লৈবাকশিংগা লোয়ননা ওলিম্পিক অদু বোয়কোট তৌদুনা হোকি হৈবা পাকিষ্টান অমসুং নোংচুপ জর্ম্মনিনচিংবা লৈবাকশিং ওলিম্পিক অদুদা শরুক য়াখিদে। মদুদা ইন্দিয়ানা খুদোংচাবা ফংখি। লৈবাক অসিনা স্পেনবু ফাইনেলদা য়াম্না ৱানা পাঞ্জল ৪-৩ মায়থীবা পীদুনা সনাগী মেদল লৌখি অমদি মথংগী ওলিম্পিক লোস এঞ্জেলসতা কুমজা ১৯৮৪দা পাঙথোকখবদা ইন্দিয়া হোকিদা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমখিদে, মঙাশুবা তাখি। অসুম্না মখা তারকপা ওলিম্পিকশিংদা মথং মথং হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়ানা হোকিদা মেদল অমত্তা আশা তৌবা ঙমদে। অদুবু লৈবাক অসিগী হোকি টিম্না কুমজা ১৯২৮দগী ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবদগী হৌজিক ফাওবদা সনাগী মেদল তরেৎলক, লুপাগী মেদল অহুম্লক অমদি শেঞ্জেংগী অনীরক ফংখ্রে।

নুপীগী হোকি অহানবা ওইনা মোস্কো ওলিম্পিক্তা য়াওহনখিবদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমসু ওলিম্পিক অদুদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। মরমদি ওলিম্পিক অদুদা অমেরিকাগী মীচংদা লৈবা লৈবাকশিংনা ওলিম্পিক অদু বোয়কোট তৌদুনা শরুক য়াখিদবা মরম্না হোকিদা ওলিম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইদবা নুপীগী হোকি টিমসু শরুক য়াবা ফংজখি। চহী অদুদা নুপীগী হোকিদা শরুক য়ানবা লৈবাক তরুক খনগত্তুনা থমখিবদা লৈবাক মঙা বোয়কোট তৌবদা য়াওখি মদুদা লৈবাক তরুক শুনবা খনগৎপদা ইন্দিয়াগী নুপী টিমসু মরাইবক ফদুনা শরুক য়াবা ফংখি। মতম অদুদা জিম্বাবৱে অসি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা তাস্থোকখিবদগী লৌখৎপদা ঙাইরি। লৈবাক অসিবু ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা তাস্থোকখিবগী মরমদি কুচু মুবশিংনা খুন্দাবা লৈবাক অসিবু কুচু ঙৌবা মীওইশিংনা লৈবাক ঙাকই, কুচু ঙৌবা মশীং য়ামদে অদুবু মখোয়না নম-হাদুনা লৈবাক ঙাকপগা লোয়ননা কুচু মুবশিংবু য়াম্না হন্থনা য়েংই। কুচু ঙৌবশিংগী স্কুলদা, হোটেলদা, ইরোইফমদা, শান্নফমদা কুচু মুবা (নেগ্রো) চংহন্দে, মসিবু 'এপর্থায়দ' হায়না খঙনৈ। মরম অসিনা লৈবাক অসিগী লৈঙাকপু ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা তাস্থোকই অদুনা মসিগী ওলিম্পিক কম্মিটিসু তাস্থোকই।

কুচু মুবশিংনা লৈবাক অদুগী লৈঙাক পায়বা মতমদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা মখোয়বু অমুক লৌখৎপী। মসিদা খুদোংচাবা লৌদুনা ওলিম্পিক কম্মিটিনা সোভিয়েট লৈবাক্কা ৱা তানরগা ওলিম্পিক তৌগদবা হাপ্তা মঙাখক্তা ঙায়রবা মতমদা জিম্বাবৱেগী নুপীগী হোকি টিম্বু ওলিম্পিক অদুদা শরুক য়াহনবীয়ু চৎথোক-চৎশিন তৌবদা চংগদবা শেনফমশিং মতেং পাংজগে হায়বদা য়ারকখিদুনা লৈবাক অদুগী নুপীগী টিম অমা থারকখি। তৌইগুম্বসুং টিম অদুদা কুচু মুবা শান্নরোয় অমত্তা য়াওরকখিদে। কুচু ঙৌবা খক্তনি। মখোয়দি লৈবাক অদুদা মাইনোরিটিনি।

অমরোমদা কুচু মুবী হোকি শান্নবী নুপী মতিক চাবী লৈতে। টিম অসিনা ইন্দিয়া অমসুং জেকোসলোভাকিয়াগা শান্নবদা দ্রো চৎখি, পাঞ্জল চন্নখিদে। মখোয়না ওষ্ট্রিয়াগা শান্নবদা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাকখিবনা মরম ওইদুনা টিম অসিনা সনাগী মেদল ফংখি।

কুমজা ২০২০গী টোকিওগী নুপীগী হোকিগী অথোয় অহেন তান্নবগী ওইনদি লৈবাক ১২না ওলিম্পিক অসিগী হোকিদা শরুক য়াগনি, য়ূম্বু ওইরিবা জপানদি ক্বালিফায়িং মেচতা য়াওররোই। মসিগী মনুংদা মহাদেশ, কন্টিনেন্ট অমমমগী চেম্পিয়ন ওইখিবশিং অদুসু ক্বালিফায়িং শান্নবদা য়াওহল্লোয়। মখোয়সু ক্বালিফাই অদুম ওইখ্রে। অর্জেন্টিনা, খা অফ্রিকা, নেদরলেন্দস, ন্যুজিলেন্দশিংদি মখোয় মখোয়গী কন্টিনেন্টশিংগী চেম্পিয়ন ওইখিবা মরম্না ক্বালিফাই ওইহল্লে। অদুনা গেমস অসিদা য়াওবা য়ানবা ওষ্ট্রেলিয়া, চাইনা, জর্ম্মনি, গ্রেট বৃটেন, ইন্দিয়া, অয়রলেন্দ অমসুং স্পেন ভুবনেশ্বরদা থা অসিগী ৩ ফাওবা চৎখি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## চরু মৈ থাবা তোকপনা খুঙ্গংগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনগনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরদা মশক থোকপা ইন্দষ্ট্রি লৈতবনা, লৌউ-শিংউবনা মরু ওইবা শিনফম অমা ওইরি। লৌউ-শিংউবনা ষ্টেটসিগী মরু ওইবা শেন্মীৎলোন ওইবদা নত্তনা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৮০না লৌউ শিংউবগা মরী লৈনবা শিনফমশিংদা লৈরি। মণিপুরগী অপুনবা পাক চাওবগী চাদা ১২.৯৮ লৌউ-শিংউবনা কোনশিল্লি অদুগা লৌউ-শিংউনরিবা লমগী চাদা ৫২না তমদা লৈ। অপুনবা লৌউবগী পাক চাওবা লমগী চাদা ৮২ হায়বদি ২৮৯৫০০ হেক্তরদা ফৌ থাই। চীংদনা পামলৌ উদুনা ফৌ থান্নে।

মণিপুরদা লৌরোক পান্থাসি মহৌশানা ওক্তোবরগী ময়ায়ৱাইদগী নবেম্বরগী অরোইবা ফাওবা চখৈ। পঞ্জাব অমসুং হরিয়নাদা কুমজা ২০১২-১৩ দা ফংখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ফৌ ২৪.১ মিলিয়ন টন থোকপদা চরুনা ৩৫.৬ মিলিন টন ওইখি। মণিপুরদা থোকপা চাথোকসি পরি ১ দা মোন ৭০ দগী ৮০ ফাওবনি হায়বদি ৩.২ দগী ৩.৬ টন ফাওবনি অদুগা চরুগী শরুকসিনা টন ৫.৭ মুক্নি। মরম অসিনা মণিপুরদা চহী অমদা চরু টন ১৩,৫৩,১২৩ মুক থোকই।

হৌখিবা চহী খরসিদা ঐখোয়না লৌ হেক য়েবা মতুংদা চরু মৈ থাদোকপগী চৎনবিসি লৈরক্লি। থৌদোকশিং অসি মমাংঙৈদদি তৌনরমদে। লৌবুক্তা থোকপা চরু খুদিংমক মপুনা পুনশিন্দুনা পুরক্লগা য়ুমদা পৈদুনা থম্নরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি, শা-ষনসু মরাং কায়না লৈতবনা চরুসু লৌশিন্দ্রে। চরুশিং চাইথোকপদা কান্নে হায়বদি ময়ামসু খঙদ্রে। অদুবু পৈশা চঙবদগী কনাসু তৌনদ্রে। চরু মৈ থাবদা ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভমদা শোকহল্লি হায়বসিসু লৌমীশিংনা ইখঙ খঙদবগুম তৌই। মরম অসিনা লৌ য়ৈফমদা পৈশিন্দুনা হেক-হেক চরু মৈ থাদোকপগী চৎনবীসি লৈ।

ঐখোয়গী লৌমী ইচিন-ইনাওশিংগী মরক্তা ৱাহিক তাবা চারুদি মৈ থাদোক্লগা ফৈ হাবগী থাজনবা অমা লৈরিবসিমদি অরানবনি। ৱাহিক তাখ্রবা চরু মৈ থাবগা মথং চহীদা ৱাহিক তাবগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। মরম অসিনা ৱাহিক তাবা চরুসু মৈ থাদোক্লোইদবনি।

হৌখিবা দিৱালি নুমিৎ ওক্তোবর ২৮দা দিল্লিদা নুশিৎ মোৎপগী চাং (Air Quality Index) অসি ৯৯৯ য়ৌখি। মসিগী মথক্তদি রেকোর্দ তৌন্নবা রিদিং লৈত্রে। মীয়াম্না বোম্বুলা, মৈকাপ্পীনচিংবা থাবদগী দিল্লিবু গ্যাস চেম্বর অমা ওইহনখি। অশেংবা মসিমক্তি দিৱালিনা নত্তে, য়ুমথংনবা পঞ্জাব অমদি হরিয়ানাদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী লেপ্তুনা চরু মৈ থাবদগী অসুক ৱাংবা পোল্যুসন অসি ওইহনখিবনি।

হৌজিক্তি দেল্লিদা চাংচৎতা AQI ৪৮৪ য়ৌরে। সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোদকী মতুং ইন্না AQI গী খ্বাইদগী ৱাংবা হকচাং শোক্তবা চাংসি ৬০ নি। ৪০০ য়ৌবদা "Severe" চাং য়ৌরে অদুগা ৮৪৮ সিদি "Severe Plus Category" নি। ফীভমসিদদি মীপুম খুদিংমক হকচাং শোকনিংঙাই ওইরে অমদি অঙাংশিং, চহী য়াম্লবা অহলশিং অমদি হান্ননা নাদুনা লৈরবা মীওইশিংদদি হেন্না খুদোং থিনিংঙাই ওইরি। মরম অসিনা দেল্লি অমদি অকোইবগী স্কুলশিং হৌখিবা নবেম্বর তাং ৫ ফাওবা ছুটি থাদোকখি লোয়ননা পোল্যুসন থিংনবা লম্বীদা গাড়িশিং Odd-even খাইদুনা চেনহনবা হৌখ্রে।

নেসনল গ্রীন ট্রিবুনেলনা ষ্টেট খুদিংমক্তা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংবদা চরু মৈ থাবশিং চৈরাক পীননবা খঙহনখ্রে। চৈরাক ওইনা লৌ একর ২ ফাওবা লৈবা লৌমীশিংদা লুপা ২৫০০, ২ দগী ৫ ফাওবা লুপা ৫০০০ অমদি একর ৫ দগী হেনবদা লুপা ১৫০০০ ফাওবা ফাইন তৌহন্ননবা খঙহনখ্রে। অদুবু লুরিবদি লৌমীশিংনা হৌজিকসু লেপ্তুনা চরু মৈ থান্নরি। এন জি টিগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকপদগীদি লৌমীশিংনা ফাইন থিবনা হেন্না পৈশা চঙদবনা থৌওংশিং অসি চথবনি হায়না লৌমী অমা ফোঙদোক্লকখি। মরম অসিনা লৌমীশিংগী অৱাবা অমদি তঙাইফদবশিং খঙবিদুনা হৌজিক ঐখোয়না জাতিগী ইন্টরেষ্টতা থবক চঙশিনবা মতম ওইরে।

চরু মৈ থাবা থিংবনা করম্না ঐখোয়গী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনগদৌরিবনো ?

ঐখোয়না লৌ পরি অমগী চরু মৈ থাবদা নাইট্রোজেন কেজি ৩৩৯, ফোসফোরস কেজি ৬, পোটসিয়ম কেজি ১৪০, সলফর কেজি ১১ অমদি মখল-মখা কয়াগী কান্নরবা মচাক ময়াম অমা অরেম্বদা মাংহল্লি। মরম অসিনা মণিপুরদা চহী অমদা ৮০.৫ মিলিয়ন টন নাইট্রোজেন, ১.৪২ মিলিয়ন টন ফোসফরস, ৩৩.২২ মিলিয়ন টন পোটাসিয়ম অমুসং ২.৬২ মিলিয়ন টন সলফর অরেম্বদা মাঙহল্লি। অসুম্না ঐখোয়না চরু মৈ থাবা লেপ্পা ঙল্লবদি হায়রিবা য়াল্লবা Nutrient শিং অসি কনবা ঙমগনি।

অদুগা মহৌশাগী খল কায়হনবা গ্যাসশিং পুথোকপদসু চরু টন অমা মৈ থাবদা 2 Kg $SO_2$, 60 Kg CO, 4-7 Kg $CH_4$, 1400 Kg $CO_2$ অমদি 3 Kg গী অপিকপা উফুলশিং অমসুং উৎ কেজি ১৯৯ গী পুথোকই। অসিগুম্লবা ফত্ত্রবা গ্যাসকী পোৎলমশিং অসিননি হন্দক চহীদা নোং তাহন্দদুনা লৌমীশিংদা অৱাবা নংহনখ্রিবসি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না হায়রিবা চরুশিং অসি লৌগী মচি অমদা পৈশিন্দুনা পথু-পুমথহল্লবদি লৌ একর অমগী চরুনা নাইট্রোজেন কেজি ১২৫-১৩৬, ফোসফরস কেজি ২.২৮-৩.৮, পোটাসিয়ম কেজি ৫৩-৫৬ অমসুং সলফর কেজি ৩.৮-৪.৬ লৌফমদুদা অমুক হঞ্জিন্না পীবা ঙমগনি। চরুদুনা পৈবদা মাঙবা লমগী শরুক্তা থোক্কদবা পোৎথোক্তগী পথু-পুমথরবা চরুদুনা পিবা কানবনা শরুক য়াম্না হেল্লি। অসুম্না ঐখোয়না মণিপুরদা চরু মৈ থাবা তোকপা ঙল্লবদি অপুনবা Nutrient ১১৩.৬ মিলিয়ন টন ঐখোয়না কান্নবা ফংগনি। চরু মৈ থাবদসু মীওইবা অমদি লৈপাক লৈহাওদা কান্নরবা মাইক্রো ওর্গানিজম কয়া অমদি পীক্লবা লৈনুংগী তিলশিং হায়বদি তিন্থোক্লচিংবা কয়া শিহল্লি।

এম এস স্বামিনাথননা চরুবু কাদ বোদ, চেনচিংবা শাবদা শীজিন্নবা অকনবা পাউতাক পীরম্মী। ঐখোয়গী মণিপুর লৈঙাক্না চরু শীজিন্নবা ইন্দষ্ট্রি হায়বদি কার্দবোর্দ , চে, বোদ অমসুং শা-ষনগী মচীঞ্জাক পুথোকপা ইন্দষ্ট্রিশিং লীংবগী মতম ওইরে।

পঞ্জাবতদি চরু শীজিন্নরগা ইলেক্ট্রিক পুথোকপা হৌখ্রে। অসুম্না মণিপুরদসু চরু শীজিন্নদুনা ইলেক্ট্রিক পুথোকপা ঙল্লবদি থবক ফংদবগী অৱাবা কোকহনবখক্তা নত্তনা মীয়ামদা চাওনা কান্নবা পীগনি।

হামেং য়োকপসু অতোপ্পা পাম্বৈ অমনি। মরমদি হামেংনা চরু য়াম্না পাম্না চাই অমদি লায়না তুমহনবা ঙম্মী। হামেংগী মচা অমদি শঙ্গোম মমল তাঙনা মীয়াম্না পাম্না লৈনৈ। হামেংনা অমুক্তা মচা অহুমদগী তরুক ফাওবা পোকই অমদি অতোপ্পগা য়েংনবদা হামেং মচানা থুনা মপুং ফানা চাওবা ঙম্মী। হামেংদি লায়না-তিন্নাসু চঙগন্দে অমদি য়োকপদা লাই। মরম অসিনা ষ্টেটসিগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎনবা পাক শন্না হামেং য়োকপা তঙাইফদে।

চরুশিং অসি ঐখোয়না তেন্না কক্তুনা পম্মীশিংদা থাবদা কুপ্পবদি মতম শাংনা ঈশিং ফাজিনবদা মতেং পাংই। অদুগা থুনা মতোন চোংহনবদা অমদি চাওহনবদসু মতেং পাংই। লৌপাক্তা পৎথ-পুমথরবা চরু চাইথোকপনা লৌ খোইবদা লৈচং লুহনবদা নত্তনা মতম অমদি পৈশা চঙহন্দে।

চরুদা চেংগুম থাবনা মণিপুরগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা খ্বাইদগী লায়বা পাম্বৈ ওইগনি। মসিনা মণিপুরদা চরু মৈ থাবনা নুংশিৎ শেংহন্দবদগী কনবা ঙম্বতা নত্তনা মীয়ামগী মচল শুনা চাবা ফংদবগী অৱাবদগীসু কোকহনবা ঙমগনি। চরুদা ৪১% শেল্লুলোস, ১৪% লেকনিন, ০.৮% নাইট্রোজেল, ০.২২% $P_2O5$, 0.3% $K_2O$, 6% $SiO_2$ অমসুং অশিন অয়াক্কী চাংনা ৬.৯ নি।

মণিপুরদা মীওই অয়াম্বনা চেংগুম পাম্না চানবা মরম্না পাক শান্না চেংগুম থাবনা ঐখোয়গী শেল থমুগী ফিভমদা অচৌবা অওনবা পুরকপা ঙমগনি। চেংগুম থাবনা মরু ওইনা খুঙ্গংশিংদা নুপীশিং অমদি নহাশিংনা থবক পীদুনা লৈবাক মীয়ামগী শেন্থোক লম্বী অমা শোয়দনা পীবা ঙমগনি।

মরম অসিনা ঐখোয় চরু মৈ থাবা তোক্লসি মদুগী মহুত্তা চরুবু মফম চানা শীজিন্নদুনা মীয়ামগী শেন্থোক হেনগৎনবা অমদি শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবতা নত্তনা মহৌশাগী ফীভমবু তুংগী মীরোলগীদমক কলহৌরসি।

*অদোমগী - নাওরেম মুনান মৈতৈ*

## চিন থোক্লা ঙাঙনবা য়াবা নত্তে

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ফনা য়াম্না ৱাখল লৈরবা, ফনা য়াম্না শিংলবা, ফনা য়াম্না লাইরিক-লাইশুদা অৱাংবা থাক্কী মীওই ওইদুনসু হূই মমৈবু চুমহনবা হায়বসি থাজবা ৱাৎতুনা অদুম লৈরগদবনি। চুল্লিবনি হায়দুনা মতাং শাংবা ৱাগী উতোং অমদা থিংজিন্দুনা থল্লগা উতোং মনুংদা হূই মমৈদুনা লৈরিবমখৈদি চুমদুনা লৈদৌরিবনি। উতোংদুনা শৎতোরকপা মতমদা হান্নগী মতৌগুম খোইগদৌরিব্রা নৎত্রগা চুমদৌরিব্রা? অনীসিগী মনুংদা অমদি শোয়দনা লৈরগদবনি।

চুমগনি হায়বা অমা, চুল্লমলোই হায়বা অমা অনীদি থোরক্কদবা মাল্লবনি। ফনা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনখিবা হূই মমৈদু উতোং মনুংদা লৈরিঙৈ মতমদদি চুম্না লৈরম্লগা উতোংদু শৎতোরকপা মতমদা খোইদনীংঙাই লৈরোই। শেন্বদা থোক্লরোইদবা হায়বসি অদুমক হান্নগী হান্নগুম লৈগদৌরিবনি।

অনৈবা ঈশিংদি ফিজিগ্রি হাইদুনা লুহন্নবা হোৎনবদা য়াদবা লৈতে। শোয়দনমক্কী মনীংগী শরুক্তা ফত্তবা লৈনাংগী শরুক্তুমদি লৈরমদৌরিবনি। অনৈবা ঈশিংবুদি ফিজিগ্রিনা নমদনা অরুবা ঈশিং ওইহনগদৌরিবনি। লমদমসিদা লৈরিবা মীওই কয়া অমা হূই মমৈদৌনা তৌবা য়াওরিবা পোৎনি। হায়রিবা মীওইশিংসিনা ৱাথোক-লান্থোক কয়াদা তৌদবা য়াদবা মথৌদৌনা, মদুদগী ওইরকপা তাহৈদবা-উহৈদবা থৌদোক ময়াম অমা থোরকপা মসি পূম্নমকসি মীয়াম্না অফবনি হায়না শিংথানবদা খূৎ থেকপা মীওইদি অমতবু য়াওরল্লোইদৌরিবনি।

ফত্তবনা ফত্তবগী শঙ্গ, অফবনা অফবগী শঙ্গ মসিদি অদুমক চুল্লগদবনি। মীয়াম্না পাম্নদবা হুমুক খাবগী থবক্তবু মতোইনা মতৌরবা নোংমদি শোয়দনা চেকপল মনুংগী মহি লাংবা হৱাই চাদনীংঙাই লৈরোই। অরানবা ময়াম লৈজবী থাদনা তৌরুরগা মমৈদা লাই নীংবা, মশাগী অরানবা তৌখিবা তৌহৈদবা থবক ময়াম অমা মদুগীদমক ঙাকপীনবা লাইফম খুদিংদা চৎতুনা থৌনিবা, মশাগী ৱাখলগী ৱানি মসিদা তাইবঙবু শেন্বীবা মপু মানা ঙাকপীগনি হায়বা থাজবা ৱাৎলবনি। মানা তৌবনা মানা ফংবা, ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবা মসিমক ঐখোয়না থাজরিবা ইবুংঙো মাগী তশেং তশেংলবা থৌজালনি।

শেন্দোয়দগী ফংলকপা শেলনা লাইদা-তীলদা উৎসব কৎতুনা লাইনীং পরৈ ওইনা থাজবা অমগা লোয়ননা মসিমক ভাবকী ৱানি লাই ইবুংঙো মানদি পেনবীবা হায়বদুমদি ওইদা ৱানি। শেন্দোয় চারগা লাইশঙ শাবা, উৎসব কৎপা মসিগী মহুত্তা অশোন অনা কয়াদা অঙম্বা মতেং পীবা মসিগা লোয়ননা মখোয়বু নুংশিনা তৌবীবা মসিমক ঈশ্বর মাবু নীংবগা মান্নরবনি। নুংশিববু য়াওদ্রবা মহাক অদুগী মফমদা ঈশ্বরবু থাজবা অদুমক ৱাৎতুনা লৈরগদবনি।

নঙনা থৱায় য়াওনা তৌরুরিবা পাপ অদুগী মহয় ফনা লাক্কদবা নত্তে, নঙনা হৈনদবা চৈরাক অমদি শোয়দনা লাক্কদৌরিবনি। মতম অদুদা হৈরবনি, শিংলবনি হায়দুনা নাথৈদুনা, লমজেল য়াঙনা চেন্দুনা লোত্তুনা করিসু কান্নবা ফংলরোইদবনি। মীওইবগী লমচৎ অসিনবু অসুক্কী মতিক কান্নবা ফনা য়াম্না লাক্ষ-পতি ওইদুনসু মাবু কনানসু নুংশিবা লৈররোইদবনি।

মীদা মীনা নুংশিবা লৈত্রবা, অতোপ্পা জিব পানবদসু লৈরমগনি থাজবা ৱাৎলবনি। নুংশিবা কৌবসিনা য়েংথিনবা, কলকপা লৈত্রবা, মীহৌবা য়াওদ্রবা, অশেংবা নুংশিবা হায়বদু নত্তে কনানসু হায়ররোইদবনি। মমা মপা অনীগী মচাফাওবা মচিন-মনাও হাৎতোক্লবা ঙম্নরক্লিবা অসি মুন্না খল্লুরবদি তশেং তশেংবা ঈ মরীনি। করিগীদমক খৎনগদৌরিবা, করিগীদমক কৌনা ঙাঙনদনা চংনদবা মখৈ লৈনগদৌরিবা, করিগুম্বদা লাইবক থীদুনা মচিন-মনাও মখোয় অনীগী মনুংদা অমনা হান্না তাইবঙপাল থাদোক্লবা মদুদা মানা তৌগদৌরিবা মচা-মশুশিং কৌনা ঙাঙনদ্রবনিনা মসিমক ওইদনবা শিনবা অহিংবা মীওইবা কাঙলূপকী মতুংদদি খ্বাইদগী ফরবা শিদ-হীদাক হায়বদুনি।

এঞ্চাং অহাওবা অমা থোংবদা ইয়াম্বগীনি, ইনাওগীনি, ইখুরাগীনি, ইপাগীনি ... হায়দুনা থিল্লিবা নুংশিবগী লেংবা ঙল্লরোইদবা মুৎলরোইদবা অদুমক ওইদৌরিবনি। ফুরুপ অমগা ফুরুপ অমগা নুংশিনদবা মসিমক তাইবঙবু শেন্বীবা ইবুংঙো মানা য়াবা থবক্তি নত্তবনি। মসিনা মরম ওইরগা অশি-অনা থোক্লবা মতুংদা করি নুংগীনো খল্লকপা মসিসু য়াওদবদি নত্তে।

মসিগী মহুত্তা নুংশিনবা হায়বা অসিনা লেংদবা ওইরগা তাইবঙ পানবসিদা পোক্লক্লিবা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়সে কয়াম কুইনবু পুন্সিগদগে? মাগা ঐগনা পুন্সিরবদা চহী ৭০/৮০ অসি ঙাই। মসিদগী শারংলবদা চহী ৯০ অসি ফাওবা পুন্সিবদা চহী য়াল্লবনি হায়দুনা নুংঙাইগদবা পুন্সি অদুমক ওইররোইদবনি।

হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক শোন্থরকপা, পাঙ্গল কল্লম্বা থৌনা লৈরম্বা চাবা থকপদা অথিংবা লৈরমদবা পূম্নমক অহোংবা অমা লাক্তুনা, চৎপা ফাওবা তুরোই-ঙাম্লোই মসিমক ওইদৌরিবনি। লিননা মকোন চঙলমদাইগী মতমদা চুমই হায়বগুম, চহীনা য়ামদ্রিঙৈ, হকচাংগী ঈনা শাগৎলিঙৈগী মতমদা নৎত-নৎতবা লমচৎ-শাজৎ লৈতবা মখৈ ঐনা মহেল্লে খন্দুনা কন্থা-কারেংননা মখৌ পোংবা মখৈ পূম্নমক কুইবা য়াবা নত্তে।

ঙাইহাক্কী ওইনা লুপকদবগী ঙাইদুনা লৈরবা হিগুম ওইদৌরিবনি। ফীভম মুর্ত্তি চাদনা শিরুম-নারুম তৌনা হিংবসিসু তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না পাম্বদি নত্তে। শিংথাবনা ৱাৎলগদবা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়সিবু শিরোই-নারোইদবগুম খল্লিবসিসু করিনো? শিবা-নাবা হায়বসি শিল্লোন-শিজিন তৌবা য়াবা নতে। মতাংদু মতমদু য়ৌবদা অফবা থবক তৌখিবদি নীংবু নীংশিংদবা, য়াই। ফত্তবা, মীগী মথম্মোয় শিকপা, মপুন্সিদা কাউঙল্লরোইদবা থৌদোক নীংশিংলক্তুনা করি নুংগী তৌরুবনো খল্লক্তুনা পেঞ্জদবা নিঙমদবা ওইদৌরিবনি। অৱাবদা অৱাবা পীবা মসিমক কনানসু পাম্বা নত্তে।

তাৎ-পাৎ ওইদ-পাদবা তৌদুনা পুন্সিবু নুংঙাইনা লৈবা ফংলনি খল্লুবা মমৈদা অহিংবা মী ওইরবসু শিবগা মান্নদৌরিবনি। মালেমসিদা কিনরিবা এটোম বোম মসিদগী হেন্না শাথিবা মসিদগী হেনবদি নুংশিবা কৌবা মসিনা নমদনা ওইদৌরিবনি। নঙবু নুংশিরবা হূই মমৈ চুল্লুবগী কান্ননীংঙাই লৈত্রবনি। অদোমসু খল্লুনে - নুংশিবদগী হেনবসিবু করি অমমুক লৈরিবগে?

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*